# লন্দনগী গ্রেনফেল টৱার মৈ চাকপদা শিখিবা মীশিংগী মশিং তরাতরেৎ শুখ্রে



লন্দন, জুন ১৫:

য়াইয়র ফাইটরশিংনা ৱেষ্ট লন্দনগী মথোল ২৪ গী মী লৈনবা টৱার ব্লোকপু পুময়োম য়োম্না চাক্লিবা মৈজাউ মুথৎনবা মখা তানা লেপ্তুনা হোৎনবগা লোয়ননা লন্দনগী ফায়র কম্মিসনরনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে মদুদি, শাথিরবা মৈহৌ লাংপোক অদুদা মীওই অমা হিংদুনা লৈরম্বা থোক্লবদি থোইদোক হেন্দোক্লা ঙক্লিঙাই ওইরবা থৌদোক অমা ওইরগনি। চৈরকসিদা গ্রেনফেল টৱার চাকপগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মী য়ামখ্রবা ১৭ শুরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

রোইটর্জদা পীবা ৱারোল অমদা লন্দনগী পুলিস কাম্মান্দর স্টুৱাট কুন্দিনা হায়খি মদুদি, মসি অৱাবগী মশকনি শিখিবা মী মশিং ১৭ শুরে। অহানবদা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নোংয়াই মতুং পুং ১:১৬ তাবদা লাটিমোর রোদকী লানকাষ্টর ৱেষ্ট ষ্টেটতা লৈবা গ্রেনদেল টৱারদা মৈ চাকপগী পাউ লাকখি। মৈ চাক্লকপা মতমদুদা বিল্ডিংদুগী ফ্লেট ১২০ গী মনুংদা মীওই ৬০০ রোম অমসুং অয়াম্বনা তুমদুনা লৈনখি। চৈরকসিদা, পুলিসনা মৈহৌ লাংপোক অদুগা টেররিজমগা মরী অমত্তা লৈনদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মৈ চাকপা হৌখিবা পুং ২৪ হেল্লফাওবদা ফায়রফাইটরশিংনা মৈরি কয়া মখা তানা উবা ফংলিবা মৈদু লাকশিন্নবা অহিং চুপ্পা হনবা নাইদনা লেপ্তুনা হোৎনখি। টৱারদুদা লৈরিবা মীওই ৬০০ তুগী মনুংদগী হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। সার্চ ওপরেসনশিংদা বিল্ডিংদুগী মচি মরুম খুদিংমক চেকশিন্না থী হুন্দ্ববগা লোয়ননা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলক্কনি হায়না ওথোরিটিশিংনা থাজরি।

হোস্পিটালশিংদা মীওই ৭৪ লাইকন্নখিবদা মীওই ১৮ গী ফিভম লুনা লৈ হায়রি। ফায়রফাইটরশিংনা থৌদোক থোকফমদগী ফোঙদোরকখি মদুদি, মৈ চাকপদু কেনসিংটনগী টৱার অদুবু অদুক্কী মতিক থুনা পুময়োম য়োম্না চাকখিবগী মওংদু য়েংলগা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা চাওনা চাকই হায়না লৌবা য়াই। বিল্ডিংদুগী মনাক্তা লৈরিবা ৱিটেসশিংনা ফোঙদোক্লখি মদুদি মৈদু মথোল ২৪ গী বিল্ডিংদু মিনিট ১৫ খক্কী মনুংদা পুংথুং থুংখি। এ পিগী পাউখরগী মতুংইন্না, পেরেন্টস কয়ানা মখোয়গী অঙাংশিংবু মৈ চাকপদুদা য়াওহনখিদনবনি হায়দুনা থোংনাওশিংদগী লংথনখি অমসুং অতৈ কয়ানা অৱাংবা ফ্লোরশিংদগী চোংথনখি। হিংহৌবশিংনা মৈখুনা থল্লবা কোরিদোরশিং অমসুং ষ্টেয়রশিংদা তারিবা মৈনা কানা চাকখ্রবা হকচাংশিদা মখোংনা নেৎলগা চেন্দবা য়াদবগী ফিভমগী মরমদা পাউদমখি।

মৈহৌ লাংপোক অদুগী ওইথোকপা য়াবা মরম অমদি মরিশুবা ফ্লোরগী কিটচন অমদা রিফ্রিজেরেটর অমা পোকখাইবনা ওইবা য়াই হায়রি। ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হৌজিক মৈরি হেনগৎহনখিবা বিল্ডিংদুগী এক্সটর্নেল কোটিংদসু মীৎয়েং থল্লি হায়না দেল্লি টেলিগ্রাফনা ফোঙদোকখি।

# টেররিজম শৌগৎপগী মমল ৱাংগনি: য়ু এন চিফ গুটেরেস



কাবুল, জুন ১৫:

টেররিজম শৌগৎপা লৈবাক খুদিংমক মমৈথংদা মদুগী মমল চাওনা তিংগনি হায়না য়ু এন চিফ এন্টোনিও ওটেরেসনা চেকশিনৱা অমসুং পাকিস্তান অমসুং অফঘানিষ্টাননা টেররিজম পুন্না থেংনমিন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎনবা মহাক্কী ওফিসনা শিনবা ঙমই হায়খ্রে।

য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল ঙরাং কাবুলদা থুংখি অমসুং অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রাফ ঘানি অমসুং লৈবাক অসিগী চিফ ইগজিক্যুটিভ ওফিসর অব্দুলাহ অব্দুলাহগা বাইলেটরেল মীফমশিং পাঙথোকখি। তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা য়ু এন চিফতা টেররিজমগীদমক খুৎলাই পীশিনবা অমসুং ফন্দিং তৌবদা পাকিস্তান চেন্নবগা মরী লৈননা অফঘান গভর্ণমেন্টনা সবমিট তৌখিবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং প্রুফশিংগী মরমদা অমসুং দোক্যুমেন্টশিং অদু ৱর্ল্ড বোদি অদুনা খন্নৱা হায়না হংখি।

মখোয়দু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা য়েংশিনগদবা এরিয়াশিংনি। সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা টেররিজমগী থ্রেট থেঙনমিন্নবা ঐহাক্কী ওফিসনা লৈবাক অনীগী মরক্তা কোওপরেসন পীনবা, হেনগৎহনবদা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়না গুটেরেসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ঘানি অমসুং পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) সম্মিটকী সাইদলান্সতা অস্তানাদা উন্নখি হায়না পনখি। মখা তারদুনা মহাকসু প্রাইম মিনিষ্টর শরিফপু কজাখ কেপিটেলদা উন্নখি হায়না ফোঙদোকখি।

# য়ু এস, কটরনা দোলর বিলয়ন ১২ গী ওইগদবা এয়ারক্রাফট দিল সাইন তৌনখ্রে



দুবাই, জুন ১৫:

য়ু এস অমসুং কটরগী মরক্তা এফ-১৫ কম্বেট জেটশিং লৈনবা দোলর মিলিয়ন ১২ গী দিল অমা সাইন তৌনবা অমসুং দোহাদা অমেরিকান ৱারসিপ অনীনা খোঙচৎ অমা চৎখিবনা ৱাশিংটনগা হৌজিক হৌজিকমক অতৈ আরব লৈবাক কয়াগা মুক্নদুনা লৈরিবা কটরগা অচেৎপা মিলিটরি লিঙ্কশিং লৈনৈ হায়বদু উৎলে হায়রি।

গল্ফকী লৈবাক অদুবু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা টেররিজম শৌগৎপগীদমক্তা ক্রিটিসাইজ তৌরবসু এফ-১৫ জেটশিংগী দিল অদু মপুং ফাখি।

কটরগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স খলিদ বিন মোহাম্মদ এল-অতিয়াহ অমসুং য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাতিসনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ৱাশিংটনদা উন্নখি অমসুং দোলর বিলিয়ন ১২ গী ওইগনি হায়না থাজনবা জেটশিং অদুগী দিলদু সাইন তৌনখি। ব্লুমবা ন্যুজনা দিল অদু জেট ৩৬ কীনি হায়না ফোঙদোকখি।

কটর অমসুং য়ু এসনা টেররিজম মুথৎনবা অমসুং তুংগী ইকায়খুম্নবা অমসুং নুংঙাই য়াইফবগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনরদুনা চহী কয়া লিশাং শিংনা চঙশিনমিন্নরকখ্রবা মতুংদা মিলিটরি কোওপরেসন হেন্না চেৎশিল্লে হায়না অল অতিরয়ানা ফোঙদোকখি।

এফ-১৫ জেটশিং য়োন্দুনা য়ু এস অমসুং কটরগী মরক্তা সিক্যুরিরি কোওপরেসন অমসুং ইন্টরওপরেবিলিটি হেনগৎহল্লগনি হায়না পেন্টাগোননা ফোঙদোকখি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা হৌজিক চথরিবা ওপরেসনশিংগী ফিভম অমসুং গল্ফগী পার্টনরশিপ খুদিংমক্না কম্মন ওইবা পান্দমশিং ফংনবা লৌখৎকদবা মথংগী খোংথাংশিংদা মীৎয়েং থম্বা ঙম্ন বগীদমক্তা টেন্সন হন্থহনবগী তঙাই ফদবগী মরমদা মাটিস অমসুং অল-অতিয়াহনা খন্ন নৈনখি হায়না পেন্টাগোংনা ফোঙদোকখি।

মিদলইষ্টতা থম্বা য়ু এসকী মরু ওইবা মিলিটরি বেজ অমা মখা তানা কটরদা লৈবগা লোয়ননা মদুদা অমেরিকান ত্রুপ ১০,০০০ লৈরি। হৌজিক ফাওবদা দোহা অমসুং সাউদি আরবিয়ানা লুচিংবা লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈরিবা মুক্নবগী ফিভম অদুনা য়ু এস কটরগী পার্টনরসিপপু নীকহনবা ঙমদ্রি। ত্রম্প অমসুং মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনদগী পীবা রেসপোন্সশিংনা চৈথেং খরা পী হায়বদি য়াই।

ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনগী লোইরমদাই মতম হৌখিবা নভেম্বরদা য়ু এসনা কটরদা দোলর বিলিয়ন ২১.১ গী ওইগদবা এফ-১৫ ক্যু এ জেট ৭২ য়োনবগী ৱাফম য়াথোক্লমখি।

মিদলইষ্টকী লৈবাক অদুদা ফাইটর জেট য়োনবদুদা বোইং কোনা প্রাইম কনট্রেক্টর ওইরি। দিল অনীসি অমত্তা ওইৱা হায়বসি হৌজিক চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

# বঙ্গলাদেশকী লেন্দস্লাইদনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্তা চিঞ্জাক, পৱারগী ক্রাইসিস থোক্লে



ধাকা, জুন ১৫:

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ঙসিসু মখা তানা বঙ্গলাদেশকী কুমগী অকনবা নোংজুনা লেন্দস্লাইদশিং থোকহন্দুনা মীওই ১৫০ হেন্না শিহনখ্রবা মনুং হঞ্জিনবা এরিয়াশিংদা চঙশিন্নবা হোৎনখি। খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোক্লবা ইন্দিয়ন বোর্দরগা নক্লবা রঙ্গমাটি দিষ্ট্রিক্তা চিঞ্জাক পৱার অমসুং ফ্যুএলগী অৱাৎপশিং মায়োক্লরি।

সাউথইষ্টর্ন রঙ্গমাটি, চিতাগোং অমসুং বাদরবান হিল দিষ্ট্রিক্টশিং অসি খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোকপা লমদমশিং ওইখি। মফমশিং অসিদা লেপ্তুনা চুবা কুমগী অকনবা নোংশিংনা চীং নিংখাইবা কয়া পরিং নাইনা থোকহনখি অমসুং খুঙ্গং কয়া ঈশিংনা থুমজিনবগা লোয়ননা মফম কয়া ঈশিং তুংদুনা লৈহনখি। মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাগা লোন্নবা দিজাষ্টর থোক্লবা রঙ্গমাটি দিষ্ট্রিক্টনা খ্বাইদগী হেন্না ফিভম থিনা শোকখি অমসুং মফম অসিদা রেস্ক্যু ওপরেসনশিংদা ইনগেজ তৌবা অর্মি পার্সনল মরি য়াওনা মীওই ১১০ শিখি।

রঙ্গামাটিদা পৱার সপ্লাই তৎখিবগা লোয়ননা নোর্মেল ফিভম তাহনবদা মতম খরদা চঙবগী ফিভম লৈ। লম্বীশিংদা লৈখোম লৈনাং মপৈ মপৈশিং লৈশিনবগা লোয়ননা লম্বী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা মখা তানা য়াদবা ফিভমদা লৈরি হায়না লোকল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

'পোৎশিংসি নোর্মেল তারকপদা মতম চঙগদৌরি' হায়না লোকল রোদস অমসুং হাইৱেজ দিভিজনগী সব এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র অবু মুসাগী ৱারোল পুল্লদুনা দেলি ষ্টারনা ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট অদুদা ফ্যুএল ফংদবগী চাং ৱাংলে। চীঞ্জাক্কী সপ্লাইজসু লৈশিল্লক্তরে অমসুং টাউনগী অচা-অথক য়োনবা মফমশিং চানবা মখল সুনা ফংদ্রে হায়না দেলি ষ্টারগী রিপোর্টনা হায়খি।

মী কুংনা তাবা বঙ্গলাদেশতা নোংলৈ নুংশিৎ, ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিং অসি নোংজুথাগী মতম খুদিংগী থোকই। চহী অসিগী নোংজু অসি কুমজা ২০০৭ কী মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবা ওইরি। কুমজা ২০০৭ কী নোংজুদা লেন্দস্লাইদশিং থোক্তুনা পোর্ট সিটিদা মীওই ১২৭ শিহনখিবনি।

এক্সপার্টশিং অমসুং ইনভাইরনমেন্টলিষ্টশিংনা খ্বাইদগী নৌবা লেন্দস্লাইদশিং অদু লোনা য়াদবা মওংদা চীং কক্তুনা নোং লেপ্তুনা মতম শাংনা চুরকপা মতমদা অদুগুম্বা উ-ৱা কোক্লবা চীংমাইশিংদু ঈশিংনা ইরাই লাইনা চামথোকপদগীনি হায়খি।

লেন্দস্লাইদশিং অদু সাইক্লোন মোরানা বঙ্গলাদেশতা মীওই নিপান শিহনখিবগা লোয়ননা য়ুম চা কয়া অমাং-অতা থোকহনখিবা মতুং চয়োল অনী লৈরগা চুরকখিবা কুমগী অকনবা নোংনা থোকহনখিবনি।

# পানামা পেপর্স: পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ জে আই টি পেনেল কাখ্রে



ইস্লামাবাদ, জুন ১৫:

পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ শগোলশেন নুমিৎতা ইস্লামাবাদকী জুদিশল একাদেমিদা পানামাগেট গ্রাফট কেস প্রোব তৌরিবা জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম অমগী মমাঙদা থোক্তুনা ষ্টেটমেন্ট পীখ্রে। মহাক্না সুপ্রিম কোর্টনা এপোইন্ট তৌবা টিম অদুগী মমাঙদা অপিয়ারেন্স পীখিবা হায়বসি মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা দিভলপমেন্ট অমনি অমসুং মদুনা মহাকপু অসিগুম্বা পেনেল অমগী মমাঙদা টেষ্টিফাই তৌবা অহানবা সিত্তিং প্রেমিয়র ওইহল্লে হায়রি।

ফেদরেল জুদিশল একাদেমিগী মপান্দা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা শরিফনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্ট য়াওনা ঐহাক্কী ফাইনান্সিয়ল দোক্যুমেন্ট খুদিংমক মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা ফংহনখ্রবনি। অদুম ওইনমক ঙসিসু ঐহাক্না দোক্যুমেন্টশিংদু জে আই টিদা সবমিট তৌখ্রে। এলিগেসনশিং অসি ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈগা মরী অমত্তা লৈনদে অমসুং করপসনগী চাজশিংসু নৎতে। মখোয়শিং অসি পার্সনল লেভেল অমদা ঐহাক অমসুং ঐহাক্কী ইমুংগী মায়োক্তা তৌবা চার্জশিংনি।

মহাক্কী ওপোনেন্টশিংদা চেকশিন ৱারোল পীরদুনা শরিফনা হায়খি মদুদি, আই টি প্রোবগী স্কোপনা মথং চহীদা অতৈ মীওই কয়াসু কোনশিল্লগনি। ঐহাক অমসুং ঐহাক্কী ইমুংনা ত্রাইয়লদা থোকখি অমসুং ঐহাক্না পোক্ত্রিঙৈগী মমাঙগী ফাইনান্সিয়ল দিতেলসকী অকুপ্পশিংসু পীখি। ঐহাক্কী ওপোনেন্টশিংনা ঐহাক্কী মায়োক্তা করপসনগী মরাল কয়া শিথ্রবসু মমাঙদা নত্রগা হৌজিক ওইরবসু ঐহাক অমসুং ঐহাক্কী ইমুংগী মায়োক্তা করপসনগী চার্জ অমৎতা প্রুভ তৌবা লৈত্রি।

নুমিৎ খরনিগী মনুংদা জে আই টিগী রিপোর্ট অদু কোর্টকী ৱারেপকা লোয়ননা লাক্লগনি। অদুম ওইনমক মীশিংনা মথং চহীদা মীওই মিলিয়ন ২০০ য়াওবা হেন্না চাওবা জে আই টি অমা লাক্লগনি হায়বসি কাউরোইদবনি মখোয়না লৈবাক্কী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা কনানা নাখে শেংনা থবক তৌখিবগে হায়বদু লেপ্লগনি হায়না মহাক্না মথংগী জেনরেল ইলেক্সনগী মতাংদা মহাক্কী ওপোনেন্টশিংদা ৱার্নিং পীরদুনা হায়খি।

জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম জে আই টিগী চিফ ৱাজিদ জিয়ানা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফপু কেস অদুগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা ঙসি মেম্বর তরুক্কী প্রোব টিম অদুগী মমাঙদা কারক্লবা সম্মন তৌখিবনি।

জে আই টিগী মমাঙদা দিপোজিসন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা শরিফনা ঙসি অয়ুক মহাক্কী নকশিন্না তেংবাংলোইশিং অমসুং ইমুংগী মীওইশিংগা ৱা তানখি। দিপোজিসন তৌবদুদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রি ইশাখ দারসু মহাক্কা লোয়ননা চৎমিন্নগনি হায়না হায়খি।

# য়ুএস সিনেটকী সেঙ্কসনশিং পুটিননা কন্দেম তৌখ্রে

মোস্কো, জুন ১৫:

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মখা তানা সেঙ্কসনশিং থল্লবসু রশিয়ানা রিসেসন নমহৎপা ঙমখি অমসুং অথিংবশিং অসিনা লৈবাক অসিবু ইন্নর্জি থাদোকপদা দিপেন্দ তৌবা হন্থনবা নমদুনা ঐখোয়গী ব্রেনশিং শিজিন্নহনখি হায়না রশিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক শিন থুংনা টেলিভাইজ তৌবা লাইফ কোলইন সো অমদা ৱা ঙাংলদুনা পুটিননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়ু এস সিনেটনা রশিয়াগী মথক্তা অনৌবা অথিংবা থম্নবা ৱারেপ লৌখিবদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্না মদু নোংচুপ লৈবাকশিংনা রশিয়াবু লাকশিন্নবা হোৎনরকপা অমনি তৌইগুম্বসুং অদুগুম্বা খোঙথাংশিংনা রশিয়াবু হেন্নদুম পাঙ্গল কনখৎহনখি হায়রি।

রিপব্লিকাননা লুচিংবা সিনেটনা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা ২০১৬ কী ইলেক্সনদা খুৎ থীংজিনখিবগীদমক্তা মোস্কোবু চৈরোকপীনবা ভোর্ট লৌনখি অমসুং মখল মখা কয়াগী সেঙ্কসনশিংগী পেজেন্দ অমা এপ্রুভ তৌখি। সোলুসনশিং অদুনা রশিয়াগী ইকনোমিগী মরুওইবা সেক্টরশিং অমসুং সাইবর এতেকশিং পাঙথোক্লিবা ইন্দিভিজ্যুএলশিং তার্গেট তৌরি।

সিনেটকী বিল অদু রশিয়ানা য়ুক্রেনগী ক্রিমিয়ন পেনিন্সুলা লৌশিনবগীদমক অমসুং ইষ্টর্ন য়ুক্রেনদা প্রো-রশিয়া ইন্সরজেন্টশিং শৌগৎপগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা অতৈ সোলুসন রাউন্দ কয়া থমখ্রবা মতুংদা পুথোক্লিবনি।



HL-B/3834/27/04-27/05

## /EMPLOYMENT NEWS

### Delhi High Court Recruitment – 68 Court Attendant & Room Attendant Vacancy – Last Date 30 June 2017

**Delhi High Court Recruitment 2017**

Delhi High Court invites applications for the post of 68 Court Attendant & Room Attendant. Apply Online before 30 June 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Job Details :**

Post Name : Court Attendant
No. of Vacancy : 63 Posts
Post Name : Room Attendant
No. of Vacancy : 05 Posts

**Eligibility Criteria for High Court Delhi Recruitment :**
Educational Qualification : Matriculation Pass or equivalent from recognized board/Institutions.

Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 27 years as on 01.01.2017
Age Relaxation : OBC Candidates 3 years, SC/ST Candidates 5 years & PWD Candidates 10 years

**Job Location : New Delhi**

**Selection Process :** Selection will be made on Written Test & Interview.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 300/- through Online. No fee for SC/ST/PWD/Ex-Servicemen & Women Candidates.

**How to Apply Delhi High Court Vacancy :** Interested candidates may apply Online Through the website http://delhihighcourt.nic.in from 13.06.2017 to 30.06.2017 till 11:59 PM There after link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 13.06.2017
Last Date For Submission of Online Application : 30.06.2017
Last Date for Payment of Fee : 30.06.2017

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://delhihighcourt.nic.in/writereaddata/upload/Recruitments/OpenPositions/CurrentJobFile_9FQXN7HD.PDF*

***Apply Online :*** *https://applycareer.co.in/dhc/ca2017/*

### CRPF Recruitment – Central Reserve Police Force – 661 Specialist Medical Officers, Medical Officers & Dental Surgeon Vacancy – Last Date within 30 Days from the Date of Publication of Advertisement

**CRPF Recruitment 2017**

Central Reserve Police Force (CRPF) invites application for the post of 661 Specialist Medical Officers (Deputy Commandant), Medical Officers (Assistant Commandant) and Dental Surgeon(Assistant Commandant) in Central Armed Police Forces (BSF, CRPF, ITBP, SSB and Assam Rifles). Apply before within 30 days (thirty days ) from the Date of Publication of Advertisement. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**CRPF Job Details :**

Post Name : Specialist Medical Officers (Deputy Commandant)
No. of Vacancy : 232 Posts
Pay Scale : Rs. 67700-208700/-
Post Name : Medical Officers (Assistant Commandant)
No. of Vacancy : 428 Posts
Pay Scale : Rs. 56100-177500/-
Post Name : Dental Surgeon (Assistant Commandant)
No. of Vacancy : 102 Posts
Pay Scale : Rs. 56100-177500/-

**Eligibility Criteria for CRPF Recruitment :**
Educational Qualification :
For Specialist Medical Officers : A recognized medical qualification of allopathic system of medicines included in the first or second schedule or Part–II of the third schedule (other than licentiate qualification) to the Indian Medical Council Act, 1956 and and Post Graduate Degree/Diploma in the concerned speciality.
For Medical Officers : A recognized medical qualification of allopathic system of medicines included in the first or second schedule or Part–II of the third schedule (other than licentiate qualification) to the Indian Medical Council Act, 1956.
For Dental Surgeon : A Degree (Bachelor of Dental Surgery) from a recognized University/Institution and Should be registered with Dental Council of India.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 40 years for Specialist Medical Officers, 30 years for Medical Officers and 35 years for Dental Surgeon as on the last date of receipt of application.

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on interview and Medical Examination.

**Application Fee :** All General and OBC candidates have to pay Rs.400/- through IPO/Bank Draft/Banker Cheque in favour of DIG(Adm), Directorate General, CRPF payable at State Bank of India, CGO Complex, Lodhi Road New Delhi. SC, ST and Female candidate are exempted from paying Fees.

**How to Apply CRPF Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with Self attested copy of certificates in support of MBBS/BDS or equivalent qualification, Self attested two recent passport size photographs & Two self addressed unstamped envelopes of 11.5 x 27.5 cms. size send to The Deputy Inspector General (RECTT.), Medical Officer Selection Board (CAPFs) – 2016 HQ DG CRPF, Block N0. 01, CGO Complex, Lodhi Road, New Delhi – 110003 on or before within 30 days (thirty days ) from the date of publication of advertisement.

**Important Dates to Remember :**
Date of Advertisement : 05.06.2017
Last Date for Submission of Online Application form : within 30 days (thirty days ) from the date of publication of advertisement.

***Important Links :***
*Detail Advertisement & Application form Link : http://crpf.nic.in/writereaddata/Portal/Recruitment_Advertise/ADVERTISE/1_117_1_7440617_Eng.pdf*